ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ১৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৩৪৯শুবা মশীং

## এন এস সী এন-কেগী লুচিংবশিং ফাজিনখিবা

### ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরীদা অনৌবা মায়ওন

য়ুম্লোন্নবা ম্যান্মারগী সগাং দিভিজনদা অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌবা কয়ামরুম কেম্প হাংদুনা লৈ হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অৱাং নোংপোক লমদমদা খুৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা লালহৌবশিং ম্যান্মারদগী তকথোকহন্নবা ইন্দিয়ানা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি। ম্যান্মার আর্মিনা হন্দক সগাং দিভিজনগী তাগা এরিয়াদা লৈবা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালেন্দ-খপলাং (এন এস সী এন-কে) গী মরুওইবা কেম্পশিং খুদুম চনখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া ফাজিনখ্রে। হায়রিবা রিপোর্ট অসিনা চুল্লম্বা তারবদি ইন্দিয়াগী হোৎনজমল মহয় য়ানবা হৌরকপগী খুদমনি হায়না ফোরেন দিপ্লোমেসি অমসুং ইন্টরনেসনল এফ্যেরস নৈনবশিংনা মোত পীরি। মণিপুরগী মপানদা নুমীৎ খুদিংগী ফোঙবা ‘নোর্থ ইষ্ট নাও’গী রিপোর্ট অমনা হায়, ম্যান্মার আর্মিনা সগাং দিজিনগী তাগা এরিয়াদা ওপরেসন চৎথদুনা এন এস সী এন-কেগী লুচিংবা কয়া ফাজিনবা হৌরে। এন এস সী এন-কেগী কেম্প পুন্নমক শীদোক্লবা মাঙজৌননা খঙহনখিবগা লোয়ননা নেসনৱাইদ সীজ ফায়র এগ্রীমেন্টকী ফ্রেমৱার্ক মখাদা ম্যান্মারগী ওথেরিটিশিংগা মখা তানা ৱারী শাননবসু লালহৌলূপ অসিগী অতৈ লুচিংবশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি। মতম অমদা ম্যান্মারনা লালহৌবশিং নাকোয়ননা শৌগৎলম্বা তারবসু মতমগী অওনবা মতুংইন্না হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়দুনা লান হৌবা মীওই অমত্তা ম্যান্মারগী লৈহাওদা লৈহন্দনবা ফিরেপ লৌরক্লে হায়না থাজনরি। সগাং দিভিজনগী নাগা-সেল্ফ এদমিনিষ্টর্দ এরিয়াদা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা) অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপ কয়াগী কেম্পশিংদসু বর্মিজ আর্মিনা এটেক চৎথখি হায়না ‘নোর্থ ইষ্ট নাও’গী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। রিপোর্ট অসিনা হায়, ইন্দিয়াগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়বগী লান হৌরিবা লালহৌবশিং ভুটান অমদি বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরম্লবসু কুমজা ২০০৩ অমদি কুমজা ২০০৯ দা তকথোরকখ্রে। মরম অদুনা লালহৌবা পুন্নমক ম্যান্মারগী সগাং দিভিজনদা কেম্প হাংদুনা লৈরকখিবনি। চপ চাবা মশিং খঙদ্রগসু অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবা ২,০০০ খরা হেন্না ম্যান্মারদা লৈরম্বা য়াই হায়না সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা ফোঙদোকখি। মদুগী মনুংদা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম-ইনিদপেন্দেন্ট (উলফা-আই) গী মেম্বর ১৫০ অমসুং নেসনল দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোড়োলেন্দ-সোংবিজিৎ (এন দি এফ বি-এস) কী মেম্বর ১০০ রোম য়াওরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংগী কাদর কয়াসু মফম অদুদা লৈ হায়না থাজনরিবনি। ম্যান্মার আর্মিনা হন্দক লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়, উলফা-আইগী মকোক থোংবা লুচিংবা খরসু ম্যান্মার আর্মিনা হাৎখ্রে।

নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সান সু চিনা হন্দক সগাং দিভিজনগী নাগা সেল্ফ এদমিনিষ্টর্দ এরিয়াদা চৎতুনা মফম অদুদা ওইরক্লিবা ফীভম য়েংশিনখ্রে। এন এস সী এন-কেনা মনিং তৌনা অপাম্বতা তৌদুনা লৈরকখিবা সগাং দিভিজনগী তাগা এরিয়াদা হন্দক ওং সান সু চিনা য়েংশিন-খোঙচৎ অমা চৎখিবগী থৌওং অদু য়াম্না মরুওইনা লৌনরি। ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়াগী নাগা তাবা মফমশিং পুনশিন্নবা খুৎলায় পায়বগী ঈহৌ হৌদুনা লাকখিবা এন এস সী এন-কে মচেৎ তাখিবদগী হন্দক লূপ অসিগী মপাঙ্গল শোন্থরক্লে হায়না থাজনখি। লূপ অসিদা য়াওরম্বা ইন্দিয়াগী নাগাশিং হন্দক্তা নাগালেন্দদা হল্লকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম) গী মরক্তা চৎথরিবা পীস টোকতা য়াওশিনখ্রে হায়না থাজনরি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবদি মতম কুইরবগী তুংদা করি মরমগী ম্যান্মার আর্মিনা এন এস সী এন-কেগী মথক্তা ওপরেসন চখ্থরক্লিবনো হায়বসিনি। ম্যান্মার আর্মিনা সগাং দিভিজনদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবা পুন্নমক তানথোকখিনবা কয়ারক হন্না হায়বদা এন এস সী এন-কেনা য়াখিদবা মরম্না মিলিটরি ওপরেসন চখ্থবগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ম্যান্মার আর্মিনা এন এস সী এন-কেগী লুচিংবশিং ফাজিনখিবা অমসুং অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিং তকথোরকপগী থৌওং অসি য়ুম্লোন্নবা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরীদা অনৌবা মায়ওন অমা লাকপনি হায়না লৌবা য়াই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯২

১। মৈতৈ পুৱারীগা শাগোন্নবা তুরেল অমতং হায়বা তারবদি ‘চন্দ্রনদী’ তুরেল অসিসু অমনি। পানা মরি থোক্তুনা থা অনী চঙনা তৌখিবা তুরেলনি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা তৌখিবনো?
(খ) করম্বা পানাগী শরুক্না হান্না লোইশিনখিবগে?
২। ‘‘নহাকসু কপ্পা, ঐহাকসু কপ্পা/কৌব্রুসু কপ্পা।’’ পরেং অনী অসিদা পল্লিবা কপমিন্নরিবা কবি অসি কনানো?
৩। ‘‘ঈপাকসিদগী কোঙ্গোল পূন্নমক তাকখ্রবদি/লাই অসিগী মমল কনানা হুল্লগনি।’’ পরেং অনীসিদা অচৌবা ৱাহং অমা হংলিবা কবি অসিনা কনানো?
৪। ‘‘খুল অমা লৈ/নোংমৈ গুল্লিগী মখোন্দা নাচুংদ্রবা।’ পরেং অনী অসিনা ‘দিৱালীগী মৈরা পরেং’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৫। ‘‘স্বর্গদগী ছুটি লৌদুনা/নোরোক্কী নারক ফাওদুনা/ঐ লাই নীংবা চৎলে।’’ ৱাহৈশিং অসিনা চীংলোন ৱাংমদগী ঈগী মরী কবি অমনা লাউরকপনি। মহাক অদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবীদি

*১) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায়* (৫)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯১গী ৱিন্নর

*নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৯১গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মার্চ ১৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১গী পাউখুম

১। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা পুথ্রি অনীখক লৈ। অমনা মন্ত্রি পুথ্রিনি, অদুগা অমদুনা নিংথেম পুথ্রিনি। মন্ত্রি পুথ্রিদি চহী খুদিংগী শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ লেঙথদুনা হোঙখিবা নুমিৎ, পোইনুগী মঙানি পানবা নুমিত্তা কুম্মৈ তৌরম্মী।
(ক) মন্ত্রি পুথ্রি হোঙখিবা চহীদু কয়াদনো? *:- ১৭০৫ (শকাব্দ)।*
(খ) পুথ্রি অসিবু হোঙখিবা নিংথৌ মচাদু কনানো? *: আনন্টশাই।*
২। ‘‘অহাংবসিগা লোইনবা পুন্সিসি-শিদ্রিবা ফাওবা লেনগনি-ঐ চৎলে।’’ পরেংসি অরাম্বম সমরেন্দ্রগী দ্রামা অমগী অরোইবা পরেংনি। দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু।
*:- হ্বিস্কি বোট্টল অমা।*
৩। ‘‘নঙসু লাল্লে, ঐসু লাল্লে/উরিবসি মীনম্বা ওইরম্লে/মঙালদুমক মীনম্বনি থাজগী/অমম্বা অদুনি অশেংবা মশক্তি।’’ পরেংশিংসিনা ‘থাজগী অমম্বা নাকল’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো? *:- সলাম তোম্বা।*
৪। ‘‘খল্লু খল্লুরগা মশাবু তুক্কচবা পোক্লকই/হেরা ঐনবো/হেরা মাগুম্বনসু ঐখোয়নবু।’’ পরেংশিং অসিনা ‘শেন্দোল শিংবা’ কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো? *:- সুনিতা নিঙোম্বম।*
৫। ‘‘ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।’’ পরেংশিং অসিনা মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো? *উল্লেন মীতৈ।*


## অদুক হাক্লা খাবা হন্দ্রিমাল্লেদা

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা য়াওশঙগী অবের তৈনবা উরকই। অথাপ্পা লৈকায়গী পাখঙশিংদি থম্বু থম্বীখো, লৈকায় পাখঙনবু লাইদুম য়াওই। লৈকায়গী মচে মচন্দা তান্ন-তান্নদুনা, চোঙশিন-চোঙশিন অবের তৈবগী মওং অদু উখি। খরা-খরা ৱাখল তরক্লবা চহী মতাং ওইবনা ঐসু মখোয়না অবের তৈনবদু মী উশিৎতবসু মাল্লি, লম হেনবা, ঙাওশিন্নবসু মাল্লি। অদুনা পাখঙশিং অদু ফূনীংলকই। মকোক্তা শনৈবী ৱারুনা শাবা কাঙজৈনা তান্ন-তান্নদুনা কন্নীংবা ফাওখি। পাখঙশিংনা অদুম্না ইনে-ইন্দোনশিংদা অবের তৈবদা ইনে-ইন্দোনশিংনা পাম্লোইদবা মওংদা তৈবা য়াওরকপদা ইনে-ইন্দোন, ইচে লৈশাবীশিং অদু থম্মোয় শোক্লা-শোক্লা কপ্পা উই। পাখঙশিংদুদা নোইদা শিখ্রোনফাও হায়।

অবের তৈবদগী হেন্দোক্তুনা কারন তাবা হেনবদুদনি খূৎ-শা মরেং-মরেং চৎপা, মী ফূনীংবা য়াওরকইসি। মসিনা য়াওশঙগী শক্তম মথেল অমা ওইনা লৈরকই। মথংদা অমুক লনহেনবী থাবল চোঙবা অসি য়াওশঙগা থানবা য়াদ্রবা মপাংনি। থাবল চোংবা মুখৎলোকা হায়না লাউথোরক্লবদি য়াওশঙ অসি মনা অনী অহুমদংগা পানবা উপাল ওইরগা তোক্কনি খল্লি।

য়াওশঙগী থাবলবু খোয়দাজবগী চাং অদুক্কী মতিক ৱাংই। য়াওশঙ ঙাইঙমদনা থাবল চোঙনৈ। য়াওশঙ লোইখ্রবসু থাবল মখা অদুম শমথরগা লৈহৌই। থিংনা-থিংনা চোঙই, চোঙনা চোঙনা অদুম মথিংই করিসু কান্নদে। মেত্রিক পরিক্ষা মনুংদফাও থাবল চোঙখি। থাবল চোঙবনা লাইরিক্তগী লুখি। মোবাইল ফোন থোরক্ত্রিঙৈ, লাইরিক লাইশু তমদুনা নুরা-পাখঙ কয়া কোলেজদা উনবা ফংদ্রিঙৈ য়াওশঙ থাবলনা কান্নরবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরম্মী। থাবলগী ময়াই অঙকপনি, হুমাংনা অমত্তা খাক্তনা চামথোক্তুনা থারকপা পাউদর মখৈ খুয়া উফুল্লক্তা তিনখ্রবফাওবা নোংঙাল্লমদাই য়েনখোংনা পাখঙ-লৈশা ময়ূমদা চৎলো তান্দ্রিফাওবা থাবল চোঙবদা অৱাবা ফাওনদে। নোং ঙানফাও থাবল কাওথনরবনিনা নাকোং শীংজা য়ৈরে অমুক হায়নরকপা য়াওনরে। পাখঙ লৈশানা খুম্পাক্তা/লম্পাক্তা থাবল চোঙদুনা হরাউ-মথোই কাজবা য়ূম-য়ূমদনা থাবল চোঙবগী মখোলনা অহল-লমন ময়ামদি বি পি হাইগৎতুনা কাবা খন্দুনা ৱানা খাঙজে।

অমুকসু, চুম্নতা শেল খায়বদগী হেন্দোক্তুনা থৌরি তিংদুনা মী থৎপা, তঙাইফদনা চৎতবা য়াদবা মীশিংদদি লাক্লবগা চপ মান্ননা থোক্লরকপা, চম্না-চম্না তৌবা য়াবদা কা হেনমনবা অমা মীৎ নাবমখৈ য়াওরকপা অসিনা য়াওশঙ অসি পোৎলুম অমা ওইরকই।



### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

য়াওশঙগী লাইগী-তীলগী থৌরমদগী লাঙথোকপা, নুংঙাইথোকপনা হেল্লকই। শেল মাঙহল্লকই। মতম মাঙহল্লকই, ৱাখল মোৎলকই। অদুবু শিংলকই। মীনা শিংবদা মতম লৌদবা য়াদে। মাঙ তাক্লবকান, নাকোং পঙলবকান, শেল মাঙলবকান মী শিংবা হৌগৎনরকই। য়াওশঙগী অফবা ফত্তবা নাকল অনীমক লৈতবা য়াদে। ফত্তবনা হেল্লকান্দা খিরকই।

হৌজিক্তি য়াওশঙগী মশক লৈকায় লৈকায় হৌনদুনা থাবল চোঙবা অসিগা হোলি কাঙবু হায়দুনা য়ূমথোঙ খুদিং চৎতুনা শেল খায়বগী থৌরম, শক শোনবগী মতৌ অনী অসিনা খরখিৎ নম্না উবা হৌরে। অঙকপনি অসুম্না ওইরক্কনিবু থাজদে য়াওশঙনা। মসিগা ইরোইননা য়াওশঙনা লৈকায়গী শান্ন-খোৎনবগী শান্ন-কুম্মৈ অমুক ওইহল্লে।

য়াওশঙ স্পোর্টস হায়দুনা লৈকায়গী অঙাং, লৈশা-পাখঙ, মৌনহা ময়াম য়ূমদগী থোরক্তুনা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংফাওবা লাউদ স্পিকর থাদুনা নুংঙাইনা শান্নজরে। মসিসু অমুক লাঙবা-নিনবা, শেল খায়বা, য়ু ঙাওবা মফম মরাং খঙদবা হেন্দ হেক হেঞ্জিল্লক্লবদি ৱাখল চাউবা মীয়াম অমা লৈবনা থিংলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লাই হরাউবফাও মায়েপ (লাউদ স্পিকর) শীজিন্নবা তৌবীরনু হায়গৎনরকপা থেংনরে। মীওইবগী ফনবা কান্ননবা শেমখিবা পোৎশক, চৎনরোল, ৱাংঙুলোন কয়া কয়াসু মীওইবদা পোৎলুম ওইরক্লবা মতমদা মীওইবনা অমুক অমুক লোইশিনবা, কাওথোকপা, শীংনরকপা মশানা তাজরকই। মীওইবদি মখা চখ্না হিংদবা য়াদে। মীওইবনা অৱাবা পামদে। নাকোং ৱাই চিনবা পামদে- মদু লায়েংনবা লাক্লরকই।

য়াওশঙ হায়রগা পোৎ ময়াম অমা খঙনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি শেলখায়বগা, থাবল চোঙবগা, শান্ন-কুম্মৈগনা অমুক মহুৎ শিলহৌরে। মীওইবনা পাম্বদি শেল খায়বনি, শেলনা চাক চানবা য়াই, য়ু থকপা য়াই, থাবল চোঙবদগী হেন্না নুংঙাইবা করি লৈ - শাবী-শানৌদা, মৌসু থাবল শীন্নরে - য়াওশঙনা মূৎখ্রবসু থাবল চোঙবদি মূৎতৌ মান্দে, য়াওশঙ স্পোর্টস অসিদগী কান্নবা ফজনা লৌবা ঙল্লবদি মৌ ময়াম নোয়দুনা মতূম লোইনা তানরক্লিবসি কনবা ঙল্লক্কনি। খৈবিকমকসি কান্নবা লৌবা হৈবদা লৈ। অদুবু ফৎত্রে হায়না হোংদোক্লবা লাক্লরিবা য়াওশঙ খরা ফবা হৌরক্লবরা হৌরক্ত্রিবরা? ⏮

## হেঞ্জুনহা শিহন্দবা য়াখিদবরা

### নবকুমার ওইনা

*হেঞ্জুনহাগী* ৱারীসি লাইগী ৱারী নত্তে, পাউতাক ৱারীনি। নুমিদাংদা চাকচা-হৈজানবা, য়ু য়াওবা পার্টি তৌরুরগা খৎনবদগী শিবা য়াওনরিবা ঙসিগী ৱারীশিংসিগা চপ মান্নবা ৱানি। হেঞ্জুনহাগী ৱারীনা লাইগী ওইনা থমখ্রগা, য়ু থকচিল্লগা হাৎন-শুনবা, লমশি শিবা কয়া য়াওনরিবসি হেঞ্জুনহাগী ৱারী খঙদবগী, কাউবগী ওইবা য়ারিবনি। ঙসি শিরিবশিং অসিসু লাইনা হাৎপা নত্তে।

হেঞ্জুনহাগী ৱারী লীবদা লাই ফত্তবগী ওইনা লীশিল্লগা অঙাংশিংদা কিহনবা, লাইবু ফত্তবা ওইনা উহনবা ৱারী খূৎলি অসি লাল্লি হায়গনি। হৌজিক্কী মতমগী অঙাংশিংনা লাইগী ৱারীদু থাজরক্তবসু ফাওরক্কনি। লাই হায়বসি করিনো খঙহন্দনা কিহনবা হায়বসি অঙাংশিংবু লান্না তম্বীবা, লান্না লমজিংবীবা, পর্সনেলিটি হাত্তোকপনি। মীকিথি ওইরক্লবা, নমথবা য়ানবা কিহনবনি, অচুম্বা তৌরিবা লাইদুবুনা ফত্তবনি হায়জিন্নবনি, লাই ফত্তবা লৈতে, মী ফত্তবদি লৈ। ফত্তবা তৌবগী মহয় ফত্তবা পীগনি, ফত্তবা মীদুনা লাই ফত্তে হায়রকপনি। অরানবা তৌবা মীনা ফংবা চৈরাক্তু পীবা ঙম্বা লাইবু ফত্তবা লাইনি হায়বা য়ারোইদবা ৱানি। মুন্না খন্থরগসু লাই হায়বা লৈবা নত্তে। ঙসিসু কনানা হাৎপনো খঙদবা মীহাৎকী ৱাথোক ময়াম লৈরি, কনা অমনদি লাইনা হাৎপনি হয়বা তারেদনা হায়বসু য়াওরিবনি।

তৌরিবা থবক্কী মওং, খল্লিবা ৱাখলগী মখল কয়াদা লাইননি হায়না মমিং থোঞ্জিনবনি। মমৈদনা ইপা-ইপুবু লাইনি হায়না লাৎলম্বগী ৱানি, ঙসিনা খঙদবদু লাইনি হায়বা মাল্লক্লি। ইপা-ইপুগী মতিক মঙম থাগৎপবু লাই ফত্তবা ওইনা থাগৎপা হৌনদে। মী মখল য়াল্লকপা, নুংশি চান্নবা ৱাৎপা কাঙবুবু লাই ফত্তবগী মচা-মশুনি হায়বা ফাওবা ঙম্নরক্লিবনি। অশেংবদি লাই খঙদবগী ওইগনি।

মায় পাকখিদবগী ৱারী কয়ানা মায় পাক্লবগী লম্বী কয়া য়াৎলম্মী হায়রিবনি। মায় পাক্লবগী ৱাখল লৌশিং থিবদা লাই খুরুম্বনা য়াগদৌবদি লৈতে, পূক্লিং ৱাখল চেৎপা, পারা ঔরাইবা চঙই হায়বগী ৱাদুনি। পরিক্ষা চৎলমদাইদা লাই খুরুম্বসি মালেমগী মীয়াম লোইনমক্লা তৌনবদি নত্তে। মসিগী ৱাখলসু ৱাখল-লায়না ওইনা লৌনরকপা মাল্লক্লি। হান্ননা তৌরমদবা কাঙলূপ খরসু মতৌ তম্নরকপা য়াওদবা নত্তে। লাইগী ফিলোসোফিদু লান্না পুবগী মওং অমা অসুম শন্দোক্লিবনি। লাই খুরুম্বগী, শোয়বগী হেঞ্জুনহা শিবনি হায়বা য়াব্রা? করি মরমদগী ঙসিসু নিপা ময়ূমদা নুপী কয়া’মা শিবা য়াওরক্লিবনো, য়াওং-ইনবা নিপা কয়া শিবা/হাৎপা য়াওরক্লিবনো? হেঞ্জুনহাগী ৱারীসি নৈনহৌবা ৱাৎপগীনি হায়বদি য়াগনি। লমশি-শিরিবা ময়ামসি চৎলমদাইগী লাই খুরুম্বদু চুমদবগীনি হায়না লৌবা লানগনি।

মতমদা ফত্তবা হায়বা অমা লৈতে। মরম অদুনা মতম হায়বসি পারাদোক্স অমনি হায়রিবনি, ফবা ফত্তবা হায়না খেন্নহল্লিবদি ইশা ইশাগী হৈনবী (হেবিট) অদুননি হায়রবনি। অদুবু কনা অমনা শেমদোকপা ঙমদনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না তৌবদগী নান্থোকপা ঙম্নদে হায়বনি। মমল লৈবনি হায়রবসু অফবা মায়কৈদা লাকপা হায়বসি অরায়বা অমা ওইনা লৈবদি নৎত্রি। মতম চংই, নৈনবা চংই, খোঙথাং কয়াগী তঙাইফদবা, ৱাখলনা চপ য়ুংনা লেপ্পা অমা য়াওদবা য়ারক্তে। নুমিৎ ফৈ-ফত্তেগী ৱাসি লৈতে, মশাগী রুটিন লৈরবা মীশিংদা মসিগী ৱাসি নীংশিংলোই। লমতা থা অমগী থাংজ মরিমক ফত্তবা নুমিৎ ওইনা লৌবা তারবদি চহী মরিফু পুন্সিবা মীওই অমগীদি নুমিৎ লিশীং মরিমুক ফত্তবা নুমিৎ ওইনা লৌগদৌরিবনি। মসিমক পোকঙমদনা পোক্লবা মপোক অসিগী পুন্সিদু তেনশিন্না হিংনবগী চৈথেং অমনি। মীওইবনা রোবোট শারগা মল্টিপ্লাই তৌনবা হোৎনরিবা অসিগী ওন্ন-তৈনবা হৈনবী অমনি। নাকল অমদনা নহা কয়া অমা টি ভি য়েংবা, ভিদিও গেমদা, পান দুকান্দা, রেষ্টুরেন্টতা মতম ময়াম অমা মাঙহল্লি। মাঙলিবা মতমসি মী-মীদুগী নত্তে, খুন্নাই অসিগী মাঙলিবনি হায়বসি লুচিংবশিং অমত্তনা খঙবসু মান্দ্রি। হেঞ্জুনহাগুম্না লমশি শিরবা মতমদা লুপা লাক্ষ অমা পীবগী ফোটো কাপ্পগী থাক অমদা লৈরি হায়গনি। মশাগী মতম মাঙলিবদু খঙবা নৎত্রি।

লুচিংবীনবা লৈতবা খুন্নাই অমগী মী হাৎখিবদা থিবা ফংদবা ময়াম য়াওনরি, ফোংনা হাৎপা ফাওবা য়ারি। লোন্না হাৎলগা লাইদা তাইশিন্নবা অদুমক তৌদনা মী ময়াম অমা ফোংনা হৎপা য়াবা অসিগা কনফ্লিক অনী অনী অসিদি মান্নদে। লাইনা হাৎপনি হয়বসিনা খুন্নাই মনুংগী কোর পার্ট অমনি, ফোংনা হাৎপসিনা মপান্দগী চখ্থরকপদা ময়োন্দু শোক্লা মতোন থোকপা য়াদনা শিরবা ফীভম অদুনি। লুচিংবশিংনা মীয়ামগী হিংলিবা খূৎহিং অসি শেমদোকপা ঙমদ্রবদি লুচিংলিবনি হায়বা য়াদে। স্কুল-কোলেজগী লাইরিক খূতম্বী খরা শেমদোক্লবা লাউরিবা অসিনা ওইবসু য়ারোই। মী অমা অমম্বদা লাইনা তান্নরগা হাৎখ্রে হায়না থাজবদু সিফাইনা হাৎখ্রে হায়বসিগা খেন্নরি। খেন্নরিবদু খঙবা খঙদবা হায়বসি খুন্নাই অমবু লমজিংলিবনি হায়না লৈরিবশিংনা মুন্না খঙফম থোকপদুনি। খঙনবদি মান্দ্রি।

লুচিংলিবশিংগী কাঙলূপ মঙা খায়দোক্লা য়েংনৈ। মী অমা ওইনা য়েংবা, তৌরিবা থবক্তা খুমাঙ চাওখৎপা, থবক্তুগী পোথোক লাকপা, মদু মীয়াম্না য়ানরবরা য়েংবা অমসুং লুচিংবনি হয়বা য়ানরবরা হায়বসিনি। থাক অমদা মীওই খরা নৎত্রগা ময়াম লৈগনি। লমদম অসিদা থাক অমদগী অমদা প্রোমোসন কানবগুম্না লৌনবা য়াওদবসু নত্তে। কুইনা থবক পায়রকপগী থৌয়াম্বগী লৌশিং (এক্সপরিয়েন্স) অদুমদি শিংথানদবা য়াদে। তুং ইল্লিবা ময়াম অদুগী ৱাখলগী থাক্কী মতুং ইন্না ময়ামদুগী লুচিংবা অমা খল্লক্কনি। মদুদি তৌদনা লুচিংগদৌগী মুন্নদুনা লৈবশিংগী লুচিংবা লৈরোই। মখোয়দুদি হেঞ্জুনহাগুম্না খায়-খায়দুনা হাৎখিগনি, পুনবসু ঙম্লোই। লুচিংবা হায়বসি ৱাখলনা পামজরগা থোক্লকপশিংনা হেক্তা ওইবা য়াগদৌবদি লৈতে। মশাগী থম্মোয়দগী থোক্লকপা মীয়াম্বু নুংশিবা ঙম্বা কখোকপা অদুনা মদোম ওইজরকপনি। মীয়াম্না পাম্লকপা মতমদা মীওই অমা তঙাইফন্দনা লুচিংবা থোক্লকপদি য়াই। কম্মিটমেন্ট অমা য়াওদ্রবদি ময়ামগী থাজবসু মাঙলক্কনি। হেঞ্জুনহানা শিবা ঙমখ্রিবসি কম্মিটমেন্ট অমা ঙাকপগীদমক্লি হয়না লৌবসু য়াই। থাজবা মাঙখিগদৌবগী শরুক শিখিবনা ফৈ হায়বনি। লুচিংবা ওইবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিদা হান্নগী লুচিংবশিংগী তুং ইন্নবা চঙই অমসুং মীওই কয়া লোয়নরগা চৎমিন্নবসু চঙই। লোয়নগদৌরিবা মীওইশিংসু অপাম্বদু মান্নবা তারকই, মখোয়গীদমক্তসু লুচিংবদুনা থবক কয়া অমা তৌবিবা তারকই অমসুং মীয়ামগীদমক লেপমিন্নরি হায়বা উৎমিন্নবা চঙই। অহৌবদা ৱাবা, ৱাখলগী অরুবা কয়া থেংনফম থোকই। কুইরক্লগদি হৈনরকপা অৱাবা খাঙবা হৈরকপা, লাইথোক্লা লৌবা ঙল্লকপা হৌনবনি। ময়ামদুনা পুল্লগা করি তৌগদগে হয়বা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা অদুদগী থৌবু ওইবগী থৌদাং লৌবা ঙল্লক্কদৌরিবনি। কয়া অমনা অফবা অচুম্বা লম্বী খঙবা ঙমদবদগী থাজবা ফংবা ঙমদনা মতম লোইখিবসু য়াওনরিবনি। লুশিল্লক্লিবদি মশাগী ওইজবা থিবশিংনা লুচিংবগী ফম পায়শিল্লকপা মাল্লকপগী থৌওংশিং অসিনি। মতাং অসিদদি মশক তাক্তবা লাই তরেৎনা কল্লবা খূৎ য়েনবা তারকপদুনি।

ঙসিগী নহাশিং মপুন্সি শাংনা হিংহন্নবগী থৌরাং তৌরিবসি মপূং ফাহনবা চঙই। দ্রগ চাদনবা দ্রগ খজিক খজিক পীজরগা থম্মী হয়বা অদুদি য়ারোই। য়ু থকপা থিনবা য়ু শুংহল্লগা হৈদোক্তুনা শান্নবসিনা করি কান্নরি। মাঙলিবা চেঙগী পৈশাদু ঐখোয়গীনি, মকন্থিনা মরল ফোয়দৎপা হায়বদুনি। শুংবদি উদ্দবা, লম্বীদা পুবদমক উবা তারবদি মমিৎ তাংবা মীগী শাজৎনি। লুচিংবা লৈতবগী শাজৎনি, থবক লৈতবগী থৌওংনি। মীরোল থুংদবা খরনা য়ু হৈদোক্লি, পৈশা তানবা হৈবা খরনা পৈশা খায়রি। লৈঙাক লৈবগী থৌওং নত্তে হায়গনি। মীওই কয়া অমগী মপুন্সিগী শরুক ওইরিবা মতম কয়া মাঙহল্লি, পৈশা কয়া মাঙহল্লিবসি থবক তৌবনি হায়না লৌবা য়ারোই। লৈঙাক লৈতে হায়বনি।

ৱাখল পরিং হোংদবা য়ারোই, খ্বাইদগী হান্না হোংগদৌবসি ঐ ঐনি। লীদরশিংনদি ‘ঐখোয়’ হায়গনি। ঐখোয় হোংদবা য়ারেই, করম্বা লীদরনা ময়ামসিবু করি অহোংবা পীবা ঙমখ্রবগে? মীয়ামদা অহোংবা পীবা ঙমখ্রবা মতুংদদি মীয়ামগী অপাম্বদু তৌজবা ঙম্বা অদুতনি পামজরিবা হায়গদৌরিবনি। মীয়ামগী অপাম্বা শাগৎপদা মতম চঙই, মদুগীদমক মীয়ামগা লোয়ননা লৈতবা য়ারক্তে। মীয়ামগী লাইবক লীদরগী মখা পোল্লকই, লৈখা তাখিবসু লীদরননি, অমুক হৌগৎগে হায়বসু লীদরগী মখা পোল্লিবনি। মীয়ামগী থাজবা ঙাকপা ঙম্বা লীদর চঙই। মীয়াম্না হায়বা তাদবা লীদরশিং লমতা থাংজ অমদা শোয়দনা শিবা উগনি। মদুগী মাঙওইননা মীয়ামগী অপূনবা অমা শগৎপা তাবনি। লমতা থাংজদা শারোই খাংবী ইমা-ইবেল খরনা পৈশা খায়রগা য়াগদৌবদি লৈতে। মীরমগী মীনা করি হায়না উরমগদগে খন্থবা মাল্লক্তে। অরানবা তৌবা মখূৎ কক্কদৌবা খূত্তুনা পৈশা খায়রগা লৈরম্বা হায়বসি শারোই ঙারোইদা লংনবনি, মীশি-মীনা থোক্ল বা শিনবনি। ইন্টিগ্রিটি লৈতবগী খুদমনি। অচুম্বা তৌদে হায়বনি।

শারোই খাংবশিংগী অপূনবা অমা শাগৎপা মপূং ফাদ্রি। মঙথোঙ থিংবা চৎনবী তৌরিবশিংনা শারোই খাংবা করিনো খঙদ্রি। শারোই কনানো খঙবা নৎত্রি। অরানবা তৌবা হায়বসি শারেইশিংদা থৌদাং হেন্না পীশিনবনি। মচা শিসনু, ইচা শিসনু হায়বনি। শিখ্রগা কপশিন্নবনা য়াইফগদৌবা লৈতে। শারোই খাংবদা পৈশা খায়রিবা খূত্তুনা রেষ্টুরেন্টতা চৈতুপ পায়রুবা পকচগদৌবা লৈতে। মদুদসু পৈশা লৌখিবগী ৱা লৈরবদি ঐখোয়গী সাইকোলোজি অমা ঙাক শেন্দুনা থম্বা ঙল্লক্তবগী খুদমনি।

খুন্নাই অমা শেমগৎপদা য়াবা য়াদবা, ফব-ফত্তবা ময়াম থেংনগনি। নিংথৌনা ফিম শেৎপা লাম্মী খরা শেমগৎলগা অরানবা তৌবশিং, পামদবা তৌবশিং চৈরাক পীবা, হাৎপা ঙসি ফাওবা চখ্নরিবা থৌওং অমনি। আর্মিনা মী ফারি, হাৎলি; কম্মান্দোনা মী ফারি, হাৎলি। ঙসিগী শারোই-ঙারোই ওইরি। কদায় ফাওবা অচুম্বা তৌরিবনো হায়বগী পুমলাং লংলি। মখোয়না অচুম্বা তৌদ্রবা মখোয়গীসু লাই ওইনা ৱাংপুরেল লৈরি। কোর্টনা মখোয়গী মথক্তা ৱায়েনবা হৌরক্লি। শারোই শেন্নবা লাই অমা চঙলি।

অরানবা তৌবা হায়বসি থিংনবা লাই লাৎপা ওইনা শারোই খাংবনি, অরনবা তৌবা কনানো তুমিন্না থিবনি, চৈরাক পীবনি। শারোই খাংবগী মনা-মশিং পীবসি কিবগী পীবা নত্তে, নুংশিবগী পীবনি। চাগদৌবা মী মশীং য়ামদবদগী চাইখায়রগা মাঙবনি। মচু তানা হাওনা শেন্নগা মী ময়াম চামিন্নরগা ৱা তানগদৌবনি। লাইনীং হোংলুবদগী ফাগি মাল্লকপনা, লাইদুবুনা ফত্তবা লাইনি হায়না শন্দোকপনি। মোরেল স্কুল্লিং অমা মরায় চায়থখিবনি।

লীদরশিংনা ওর্গনাইজেসনবু মুন্না, চুম্না লমজিংবা চঙই। ⏮